ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur

মসলসা অমসুং হায় কোর্ট লিগেল সর্ভিসেস কম্মিটিনা শীন্দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পাঙথোকখিবা পেনেল লোয়র অমদি রিটেনর লোয়রশিংগী ষ্টেট লেভেল কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রামদা কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুলনা ৱা ঙাঙবা

লৌশিং পূক্কে : য়ু য়াম্না থকপা মীওইখক্তদা লিভর ... ☛ লামায় ২
লামায় ৩ ☛ মণিপুরগী ঙা মমল হেনগৎনা য়োন্দে, মরাং কায়নসু ফংলি
মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা মীখল ... ☛ লামায় ৬
লামায় ৮ ☛ চহী ৪০০ গী মমাংদা সনা য়াওনা লুপখিবা মার্চেন্ট...
(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা ..... ☛ লামায় ৯
লামায় ১০ ☛ মণিপুরনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা গোল্ড মেদল ২২...

থা অমা চুপ্পা চথগদবা ৱর্ল্ড ওরেল হেল্থ দেগী থৌরম রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর জি সুনিলকুমারনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা ইন্সটিট্যুট অসিগী দেন্টেল কোলেজদা সাইক্লোথোন রেল্লি অমসু লমথাখিবগা লোয়ননা এৱ্যেরর্নেস পীখিবা

[redacted] [redacted]

Vol. 47, Issue No. 349 | শগোলশেন, লমতাগী ১২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, March 21, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদবা মণিপুরগী লোক সভা মীখলগী নোটিফিকেসন থোকখ্রে

মীখল থেংনগদবা কেন্দিদেটশিংগী চপ চাবা মশীং খঙলবা মতুংদা সর্ভিস ইলেক্টর ২১,৮১৫দা ঈ টি পি বি এসগী খূত্থাংদা পোষ্টেল বেল্লোটশিং য়েন্থোক্কনি : সী ঈ ও, মণিপুর

LOK SABHA
ELECTIONS
2024
moneycontrol

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস) : ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না থা অসিগী ১৬তা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না তাঙ্কক ৭ থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা তাঙ্কক অনীদা ভোট থাদনগদৌরিবা মণিপুরগীসু এপ্রিল ১৯, ২০২৪ (অহানবা ফেজ) অমসুং এপ্রিল ২৬, ২০২৪ (অনীশুবা ফেজ) গী ইলেক্সন নোটিফিকেসনশিং ঙসি মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্টোরেল ওফিসর (দি ঈ ও) শিংনা থোকখ্রে।

নোটিফিকেসন অসি থোকখিবগা লোয়ননা ফেজ অনীদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদবা কেন্দিদেটশিংনা মখোয় মখোয়গী নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌরকপদসু অয়াবা পীখ্রে। নুমিৎ খুদিংগী পব্লিক হোলিদে নত্তবা ওফিস অৱারদা অয়ূক পুং ১১দগী হৌরগা নুংথিলগী পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা মণিপুরগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনীমক্তা মীরেপ ওইগদবশিংনা মখোয় মখোয়গী নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

মরী লৈনবা দি ঈ ওশিংনা মীরেপ ওইগদবশিংগী নোমিনেসন পেপরশিং থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা লৌশিনগনি অদুগা মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

আউটরগী সিট্টিং এম পি ডা. লোরহো ফোজে টিকেট পীদ্রে কে তিমোথি জিমিকনা আউটরদা এন পি এফকী মীরেপ ওইরগনি

মণিপুরগী সিট অনীমক্তা মীরেপ ওইগদবা কেন্দিদেট অমত্তা নোমিনেসন ফাইল তৌরকখিদ্রি

NAGA PEOPLE'S FRONT
FIDE NON ARMIS

আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা এন পি এফকী মীরেপ ওইরগদবা কাচুই তিমোথি জিমিক

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৬তা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মথং থাগী ১৯দগী হৌরদুনা জুনগী ১ ফাওবদা ১৮শুবা লোক সভা মীখল তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোক্লগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি মণিপুরগী অহানবা অমসুং অনীশুবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলশিংগী ইলেক্সন নোটিফিকেসনশিং থোকখিবগা ইরোয়ননা নম্বর ২-আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্স (রেভন্যু) গী মখাদা ইনকম টেক্সকী প্রিন্সিপাল চীফ কম্মিস্নর ওইরমখিবা থবক্তগী পোত্থারবা আই আর এস কাচুই তিমোথি জিমিকপু কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) কী মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মসিগী মতাংদা নাগালেন্দগী কোহিমাদা সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টর ওইরিবা এন পি এফকী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরি জেনরেল ওইবদা নত্তনা পার্টি অসিগী ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি অনীনা খূৎয়েক পীদুনা ওফিসল ওইবা পার্টিগী চেরোল অমা থোরকখ্রে।

মতম লোইশিল্লক্লবা ১৭শুবা লোক সভাদা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিবু সিট্টিং এম পি ডা. লোরহো এস ফোজেনা মহুৎ শিল্লকখিবনি। অদুম ওইনমক এন পি এফকী মায়কৈদগী হন্দক্কী মীখল অসিদদি মঙোন্দা পার্টিগী টিকেট পীরকখিদ্রে।

কাচুই তিমোথি ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

নুমিৎ ৭৩নিগী মনুংদা পুলিসনা ফাবা এদিটর ৩ শুরে

'খোন্থাং ন্যুজ' গী চীফ এদিটর ধর্মেন্দ্র ৱাংখেমচা পুলিসনা ফারগা নমদুনা কষ্টদি লৌনবা হোৎনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিগী ঈ-পাউগী লম্‌দা য়াম্না নহা ওইনা খোঙদারক্তুনা তোঙান তোঙানবা ন্যুজ এজেন্সীশিংদা থবক তৌরম্লবা মতুং হৌজিক্লা ষ্টেট অসিগী ন্যুজ চেনেলশিংগী মনুংদা মীয়াম্না পাম্নবা অমা ওইরিবা 'খোন্থাং ন্যুজ' গী চীফ এদিটর ধর্মেন্দ্র ৱাংখেমচা ঙসি অয়ুক পুলিসনা লৌখৎপা কেস অমদা এক্ক্যুজ নি হায়না চার্জ তৌরদুনা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌনবা হোৎনরকপদা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটনা বেল পীখ্রে হায়রি।

মহাক মশামক্লা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা ঙরাং অহিং পুলিস টিম অমা লাক্তুনা ময়ূমদগী মহাক্কী নিংথেমচাকারোংদা লৈবা ওফিসতা পুরবা মতুংদা মহাক্কী ন্যুজ চেনেল অসিনা শীজিন্নবা পোৎলম কয়া সিজ তৌখি হায়রি।

অদুম ওইনমক পুলিসনা সিজ তৌখিবা পোৎলমশিং অদুগী সিজর মেমোদি পীরমখিদে হায়রি। পোৎলমশিং অদু শীংজমৈ পি এসতা লৈরে হায়বা তাবদগী ঙসি অয়ূক মহাক্লা পুলিস ষ্টেসন অসিদা করি মরমগীদমক মহাক্কী ন্যুজ চেনেলগী মরু ওইবা পোৎলমশিং সিজ তৌরিবনো হায়না হংনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

ক্লাস টেনগী ক্বেসন লিক ওইহল্লম্মী হায়বা প্রিন্সিপাল ১ য়াওনা ওজা ৩ পুলিসনা ফারে

মহুৎ শিলহল্লম্বগীদমক মহৈরোয় অমা তান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): বোসেমনা লৌদুনা চত্থরক্লিবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসন, ২০২৪দা ময়াং ইম্ফালদা লৈবা পীশকমচা বিদ্যা মন্দিরগী সেন্টরদগী ক্বেসন লিক ওইহল্লম্মী হায়বগী মরালদা মহৈশঙ অসিগী প্রিন্সিপাল মুতুম বিজেন (৬১), এসিষ্টেন্ট টিচরশিংদা চিরোম সোমোরেন্দ্র (৪৬) অমসুং চোংথাম নাওবা (২৪) সাইবর ক্রাইম এক্তকী মখাদা পুলিসনা ফারগা মখোয়গী কষ্টদিদা থা অসিগী ২২ ফাওবা রিমান্দ লৌখ্রে হায়রি।

পুলিসনা ফারবা মখোয় অহুম ঙরাং সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লগা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখিবনি। পুলিসনা মখোয়দা শিরিবা মরালনা থা অসিগী ১৫দা সাইন্স সবজেক্তকী ক্বেসন পেপর অদু ওজা অহুমসিনা ফোটো নল্লগা মোবাইল ফোনগী খূত্থাংদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদা য়েন্থোকখি হায়রি।

মরম অসিনা মখোয় অহুম্বু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা পাস তৌখ্রবা মণিপুর প্রিভেন্সন ওফ মালপ্রেক্টিসেস ওন ঐচ এস এল সী এন্দ হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন ২০২৪ অমসুং সাইবর ক্রাইম এক্তকী মখাদা ফাবনি হায়রি। বোসেমগী এগজামিনেসন কন্ট্রোল্লরনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা শঙ্গাইয়ূম্ফম হায় স্কুলদা মহুৎ শিন্দুনা এগজাম ফমহল্লম্বগীদমক রোল নম্বর ৩৩৩৭৯ ওইবা মহৈরোয় অমা তান্থোক্লে হায়রি।

লোক সভা মীখলদা মীতৈশিং চীংদা দ্যুটি থারিবসি শিরুরো হায়ব্রা : এ দি সীগী ওজাশিং

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): মথং থাগী ১৯ অমসুং ২৬তা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী মনুংদা চীংদা পাঙথোক্কদবা মীখলগীদমক মীতৈ ফুরুপকী মীওইশিংবু মথৌ পাঙথোক্লবা থারিবসি মফমশিং অদুদা শিরুরো হায়ব্রা হায়না ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) গী ওজাশিংনা হংখ্রে।

প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা তমেংলোংগী সিঙ্গাওদা এসিষ্টেন্ট টিচর ওইরিবা সলাম সরোলতানা হায়, হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিদা মীতৈশিংনা চীংদা চৎপদা খুদোং চাদবা মায়োক্লরিঙৈগী চৈরক্তা মীখলগী থবক পাঙথোক্লবা দ্যুটি পীশিল্লক্লে। দ্যুটি পীরক্লবসু ইলেক্সনগী থবক তৌরোই হায়বা নত্তে। চীংদা নত্তবা অতোপ্পা মফমশিংদা থাবীয়ু। অদুগা চীংদনা মীতৈ ফুরুপ নত্তবা অতোপ্পা মীওইশিং দ্যুটি তৌহনবীয়ু হায়খি।

মীতৈশিংবু চীংদা পাঙথোকপা মীখলদা দ্যুটি তৌনবা খঙহল্লক্লিবা অসি শিরুরো হায়বগা চপ মান্নরে হায়রদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা য়েংশিনবীয়ু। মহাক্লা ফোঙদোক্লিবসি এ দি সীগী ওজাশিং খক্তগী নত্তে, অতোপ্পা লোয়শঙশিংগীসু য়াওরবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চীংদা পাঙথোক্কদবা মীখলদা দ্যুটি তৌনবা খঙহল্লকপা মীতৈ ফুরুপকী মীওই ৪০০ হেল্লে হায়খি। তমেংলোংদা পোষ্টিং তাবা নোংমাইথেম হেমচন্দ্রনসু চপ মান্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা মীখল অসিগীদমক দ্যুটি অমসুং রিহার্সেল য়াওবা ঙল্লোইদবগী ফীভমদা লৈরে হায়খি।

কোংগ্রেসকী অলফ্রেদ কানঙম অর্থর ঙাক শেন্নবা সী ঈ ওনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): পাঙথোক্লগদবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা মণিপুরগী নম্বর ২-আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইরগনি হায়রিবা এক্স এম এল এ অলফ্রেদ কানঙম অর্থরবু ঙাক শেন্নবা অমসুং সিক্যুরিটি কভরেজ তৌনবগী মরী লৈনবা ওর্দরশিং থোক্লবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুরগী মায়কৈদগী এদিসনেল সী ঈ ও, মণিপুর এন প্রবিননা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুরদা অইবা চেরোল অমা পীদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

সী ঈ ও, মণিপুরদগী লৌখৎলক্লিবা থবক অসি ঙরাংমক কোংগ্রেস পার্টিগী লিগেল দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মীরেপ অসিবু ঙাক শেনবীনবা সবমিট তৌরকখ্রবা অইবা চেরোল অমগী মতুংইন্ননি হায়রি। পনবা য়াবদি, মীরেপ অসিগী মীটিং অনীদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা থুগাইনবা হোৎনরকখিবা লৈখ্রবনি।

য়াওশঙ কুম্মৈ পাঙথোক্লগুমসি

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস) ককচীংদা হেদ ওফিস ওইরিবা জোইন্ট নন গভর্ণমেন্ট ভোলুন্টরি ওর্গানাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোরকপা চেরোল অমদা ঐখোয় ঈশাগী হৌরকফম কাউথোক্তুনা য়াওশঙগী মীংদা থবক পূম্নমক লেপ্তুনা মহৈলোয়শঙশিং নুমিৎ ৫নি চুপ্পা শাংখ্রবা মতম মাঙহনবা তোক্লসি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

ফাখিবা ২ কল্লে, থল্লম্বা গ্রেনেদ ফংলে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস) ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৪০ রোম তারকপদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা বামোন কম্পু মখা লৈকায়দগী ইরেংবম ওংবী সুনিবলা (৫০) মপুরোইবা আই একেন অমদি লেম্বা (৪১) অপোকপা অচৌবা কৌবা মীওই অনী ফাজিন্দুনা থল্লকখিবদগী ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা কালিকা খুলগী মফম অমদা থাদোক্লম্বদগী পুলিসনা কনখ্রে হায়রি।

অমনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা থাঙ্গাল কৈথেলগী ঙারি গল্লিদা শকখঙদবশিংনা থল্লম্বা হেন্দ গ্রেনেদ অমা ঙসি পুলিসনা থেংনরকপদগী পোকখায়হন্দনা লৌথোকখ্রে হায়রি। বোম অসি কনানা করিগীদমক থল্লম্বনো খঙদ্রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

HL Poll

Q : Election Notification thoklaba faobada maru oiba partysingna makhoigi candidate laothokpa ngamdribasi makhoi masel amata oidabadagi nattra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Congress amasung CPI yaoba Political party 10na Innerda common candidate puthokpa ngamlagadi BJPgi mireppu maithiba piba ngamgadra?

Yes 78% No 22%

অস! লোইরেহে!

- বাজি অমুক্তগা ভোট লেপ্পীখো!

- ꯕꯥꯖꯤ ꯑꯃꯨꯛꯇꯒꯥ ꯚꯣꯠ ꯂꯦꯞꯄꯤꯈꯣ!



- তল্লে, নহানমুকসু ১৬ খক ফংই।

- ꯇꯜꯂꯦ, ꯅꯍꯥꯟꯃꯨꯛꯁꯨ ꯱꯶ ꯈꯛ ꯐꯪꯏ꯫

রোজর ইরোম লৈখিদবগী ১৩শুবা কুমওন থৌরমদা মহৈরোয়শিংদা এৱ্বার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): রোজর ইরোম লৈখিদবগী ১৩লক শুরকপা নীংশিং কুমওন থৌরম ঙসি মহাক্কী মমিংদা লীংখৎপা রোজর ইরোম মেমোরিএল ত্রষ্ট, ইম্ফাল অমসুং মহাক্কী অপোকপা-অপোকপী য়াওনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা শীন্দুনা ঘড়ী মখা লৈকায়দা লৈবা ঘড়ী য়ুথ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

চীং লেল্লবা থৌরম অসিদা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা লৈখিদ্রবা রোজর ইরোমগী মফমদা শরুক য়াখিবশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মহাকপু নীংশিংখিবগা লোয়ননা থৌরমগী মনুং চন্না মমাঙগী কুমজা ২০২৩দা পাঙথোকখিবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসনদা মকোক মথং তাখিবা মহৈরোয় মঙা খনগৎতুনা রোজর ইরোম মেমোরিএল এৱ্বার্দশিং খূৎশিন্নখি। মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎখিবা এৱ্বার্দ অসিদা সাইটেসন অমসুং শেল য়াওখি।

থৌরম অসিগী অথোইবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

চূড়াচান্দপুরগী রিলিফ কেম্পতগী মফম খঙখিদবা অঙাং ৪ মক তুরেলদা শিরম্লে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস) ঙরাং নুংথিল পুং ৩ রোম তারকপদা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস কানন ভেঙদা হাংবা রিলিফ কেম্পতগী মচিল মৌপ্পা য়াওনা পীক্লিবা অঙাং ৪ মফম খঙদনা লৈরকখিবদু ঙসি অয়ূক অঙনবদা রিলিফ কেম্প অসিগা ইরাপ লাপ্পনা খুগা তুরেল মরীলদা তাবা তুইথা তুরেলদা শাবা ইবেনেজর থোংখোঙদগী অশিবা হকচাংশিং ওইনা ফংখ্রে।

লৈখিদ্রবশিংদি মফৌ দামদগী লেমচৌহোই লুফো (৯), মহাক্কী মনাওনুপা লাললেনচুং লুফো (৬), থাঙৌহৌ হাওকিপ (৪) অমসুং শুগুনুগী খোমোলদগী থোংখোহৌ হাওকিপ (৬) নি হায়রি।

অন্দমান ১সু নিকোবর ঈথৎ

লোই থাখিবা নিংথৌ কুল্লচন্দ্র ১সুং মহাক্কী খোঙবুগীদমক নীংশিং খুভম মশক থোক্লা শেমগৎনীংই : দিরেক্টর (আর্ট এন্দ কলচর)

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস): অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎতা বৃটিশনা লোই থাখিবা মণিপুরগী নিংথৌ কুল্লচন্দ্র অমসুং মহাক্কী তুং ইনবশিংগী নীংশিং খুভম মশক থোক্লা থম্নিংই হায়রদুনা মফম অদুদা নিংথৌ কুল্লচন্দ্রগী নীংশিং যূম্বীগী মখোঙ নূঙশিং মাঙদনা লৈরম্বা থেংনরে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী দিরেক্টর কে দিনমনিনা ফোঙদোরক্লি।

কে দিনমনি - দিরেক্টর (আর্ট এন্দ কলচর)

পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবদা দিরেক্টরনা হায়, মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মফম অদু হেরিটেজ সাইট ওইনসু লৈরকপা হৌরকখ্রবনি। কুমজা ১৮৯১গী এঙলো-মণিপুর লানদা মণিপুরনা বৃটিশকী মখূৎতা মায়থীবদগী মখোয়না নিংথৌ কুল্লচন্দ্র অমসুং মহাক্কী তুং ইনবশিংবু অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎতা লোই থাখিবনি।

নিংথৌ অসি য়াওনা মীতৈগী অথৌবশিংগী নীংশিং খুভমশিং পূন্না নূঙ ১০গী মথক্তা পরেং ওইনা লেংদুনা লৈরম্বা থেংনরে। থেংনরক্লিবা নিংথৌ অমসুং মহাক্কী তুং ইনবশিংগী নীংশিং যূম্ফম অদুদা উ-ৱাশিং শুম চাদনবগীদমক লৈবাক্তা নূঙ ফুল্লগা মদুগী মথক্তা উনা শারম্বগী খুদমসু ফংখি। অদুম ওইনমক উগী শরুক ওইবা নীংশিং যূম্ফমগী পোৎলমশিংদি লোইনা মাঙলল্লবনিনা অমত্তা লৈরমদ্রে। অদুবু যূম্ফম অদুদা মখোঙ ওইখিবা উশিং খিল্লম্বা নূঙদি মাঙদনা লৈরমখি। নূঙশিং অদুগী মনাক্তা চেক্তেক খরসু তারম্বা থেংনখি।

মফম অদুদা লৈরম্বা বৃটিশকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা লৈননবা চেক্লা শারম্বা যূমশিংগী নীংখাইরবা শরুকশিংসু থেংনখি। অদুবু কনামত্তনা চঙশিন্দুনা লৌথোক্লদবনা কিস্থদুনা লৈমায়দা পুল্লপ তাদুনা লৈরবসু অদুমক লেঙদনা লৈরমখি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

রিলিফ কেম্পতা লৈরকপা থা ১০ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা ঐগী লোয়নবী অমসুং ইচাশিংগা পূন্না লৈমিন্নবা ফংদে : মোইরাংথেম লোকেন

হকথেংনবা পাউদম

সেরৌ অৱাং লৈকায়দগী খুঙ্গা

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস) : কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান্দারকপদগী থৱায় হিংনবা চেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরকপা থা ১০ মপূং ফাজিল্লক্লবসু ঐগী লোয়নবী অমসুং ইচাশিংগা পূন্না লৈমিন্নবা ফংদে হায়না সেরৌ অৱাং লৈকায়দগী মোইরাংথেম লোকেন মীতৈ (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম তোম্বনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিনবা হৌরক্তুনা যূম মৈ থাবা হৌরকখিবনি।

মহাক্লা হায়, মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা মে ৩, ২০২৩গী নুংথিলদগী অকনবা লান চত্থরক্লবসু সেরৌ অমসুং শুগুনুগী ওইনদি মে ২৮দগী হৌরকখিবনি। লান্দারকখিবা নুমিৎতুসু ঐখোয় নুপা ময়াম খুল ঙাক্তুনা লৈজরম্বনি অদুবু খঙহৌদনা মায়কৈ খরদগী খঙহৌদনা চত্থরকখিবা লান অদুনা মরম ওইরদুনা সেরৌ অমসুং শুগুনুগী নুপী অঙাং য়াওনা অহল-লমন পূম্নমক শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎকী যূমদা চেনশিন্দুনা লৈখি।

অহিং অদুমা এম এল এগী যূমদা ময়াম পূম্নমক লৈমিন্নরবা মতুং নোং ঙানবদগীদি মীয়াম অদু শাফগদবা মফমদা হোংদোকপা হৌনরকখি। মদুসু গাড়ীদা নুপী অঙাংশিং হান্না হোন্দোক্লবা মতুংদা নুপাশিংনা কোন্না হোন্দোকখিবনি। নুমিৎ অদুদগী হৌনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লবসু ঙসি ফাওবদা ঐগী ইমুং-মনুং (লোয়নবী) অমদি ইচাশিংগা পূন্না নোংমতা ওইরবসু লৈমিন্নবা ফংলক্ত্রি। লাঞ্জেল্লকপা নুমিৎতুদা সেরৌ অৱাং লৈকায়দগী চহী য়াল্লবী নুপী অমা মমিৎসু নীংথিজনা উদবদগী চেনবা ঙমদদুনা লৈহৌখিবনি। নুমিৎ খরনিগী মতুংদা মহাক্কী খোঙ্গুল লীরুবদদি মহাক মশাগী যূম মৈ থাবদা য়াওদুনা লৈখিদ্রে হায়বা খঙলকখি। লৈখিদ্রবী নুপী অহল অদুগী শরু খক্তমক ফংবা ঙমখি। এম এল এগী যূমদগী লাঞ্জেল্লকখিবা মীওইশিং গাড়ীদা হাপ্পুনা খরা শাফগদবা মফমদা হোন্দোকপগী থবক অদু মী য়াম্মনখিবনা নুমিৎ নীনি চঙখি। মথং-মথং হোন্দোকখিবদা ঐগী লোয়নবী মোইরাংথেম ওংবী গৌরি অমসুং ইচানুপী অহুমসু য়াওখিবদগী পাউ ফাওনবা ফংখিদে। মোবাইল ফোনসু বেট্টরি লোইথোকখিবদগী মখোয়গী খোঙ্গুল লীনবগী পাম্বৈ লৈখিদে। মথংগী নুমিৎতদি ঐগী লোয়নবী অমদি ইচাশিং তাংজেংদা লৈরে হায়রকপদগী চৎতুনা উনখি। লান খরা নেমথরকপা তাঞ্জাদা যূমথংননা লৈমিন্নরকখিবা ইনাও অমনা ঐখোয়গী যূমগী ফীভম য়েংলুগনি হায়না সেরৌদা চঙলুবদা ঐখোয়গী হূই অনীদুনা ইনাও অদু উবদা মখোয়বুসু পুবীয়ু হায়বগী মওংদা চোঙখৎলকখি হায়না পাউ তল্লমকখি। (মথং-মথং)

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫